# নুপীবু হন্থনা খনবা চুম্ব্রা?... 'ইতাও ইবুংঙো নুংশিবী'



মীওইপোক হায়বা অসিদা নুপা অমদি নুপী হায়বা অনীখক লৈ। হায়রিবা অনী অসিদা খেৎনরিবা হায়ববু হকচাং অমদা খুৎ য়েৎ অমদি ওই পানবগুমনি, হায়বদি নুপা ওইবনা নুপা ওইবগী থৌদাং পাংথোক্লুরো অদুগা নুপী ওইবনা নুপী ওইবগী থৌদাং পাংথোক্লুরো হায়দুনা মপু মানা মালেম ইমাগী তম্পাক্তা থারকপা অসিখকনি। মীওই হায়সিগী খেৎনবা লৈতে হায়বসি খঙনা তাইবং মালেমদা খোং দারিবা মীপুম খুদিংমক্না খঙনা চৎপা চুমগনি। পুন্সি অমনা পুন্সি অমবু কদায় ফাওবা ইকায়খুম্নফম থোকপগে হায়বদু ঙসিগী মীরোলনা খঙদবগুম তৌরি হায়না পোনি ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা অম্বিকা কম্ম্যুনিকেসননা প্রজেন্ট তৌবা "ইতাও ইবুংঙো নুংশিবী" হায়রিবা মণিপুর ফিল্ম অসিনা মীয়ামদা পাউজেল্লি।

চৎলিবা থা অসিগী হৌখিবা তাং ৫ দা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাইদা লৈবা সিমা আর্ট ফিল্ম একাদমী ওদিটোরিয়মদা "ইতাও ইবুংঙো নুংশিবী" হায়রিবা ফিল্ম অসিগী অফ-ফত্তা অমদি অশোয়-অঙামনচিংবা প্রেসকী মীওইশিংগা পুন্না য়েংমিন্নদুনা শেমদোক-শেমজিনমিন্ননবগী তাঞ্জা অদু লৌমিন্নখ্রে।

নুপা ওইবা কয়ানা নুপী ওইবী কয়াবু শান্নপোৎ অমগুম্না শান্ননবা হোৎনবদা লৌনম কয়া তৌবনা নুপী ওইবী কয়াগী পূন্সি চিনবিনবা লৈতনা লৈমায়দা কেন্দুনা তাখিবা লৈরাংগুম থোক্লি। নুপী ওইবীগী মফমদা নত্তবা খোঙফম অমা থাংজিন্দ্রিঙৈ মাওইননা করিগুম্বা নুপা ওইবা ঐনা নুপী ওইনা পোক্লম্লগদি



## সুর মৈতৈ

ঐগী পূন্সি করি ওইহৌগনি হায়বা খন্থমিন্নসি হায়দুনা মীৎলুদগী লেপ্পা নাইদনা শিন্থরক্কদৌবা পিরাং কয়াবু শিন্থরক্কনবা হায়দুনা মীয়ামদা পাউদম্লি "ইতাও ইবুংঙো নুংশিবী"হায়রিবা ফিল্ম অসি অয়াম্বা শরুক কোমেদিদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোক্লি।

চাওচা অমদি ইবুংঙো য়াম্না লুনা তিন্নবা মমান্নবনি। ইবুংঙো নুপী কয়াগী পূন্সিবু লৌনম তৌদুনা মহাক্কী নুংশি লাংদা থুহন্দুনা লোয়নরকখি। নুপী ওইবী কয়ানা মহাক্কী তুক্কৎচরবা লৌনমশিং অদুবু খঙলক্কবা মতুংদদি মহাক্কী নুংশি লাংদগী নীংঙমদবা পিরাংগা লোয়ননা লাপথোকখিবা ঙাক্তনি।

নোংমা হৈকোল-লৈকোলনা নীংথিরবা মফম অমদা ইবুংঙোনা মহাক্কী লৌনম লাংদা থুহনবিখ্রবী তনু অমদি লেম্বীবু পুন্না কৌদুনা লৈকোল অদুগী মী তাকপা মফম অমদা উন্নখি। তাঞ্জা চাবা লুমদুনা লৈরিবী তনু অমদি লেম্বী অনীনা খুদোংচাবা ফংলবদা ইবুংঙোবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ইবুংঙোগী থৱায়না মপু মাগী খুয়া য়ৌরকপা মতমদা করিগীদমক মহাক হকচাংগা থৱায়গা লাপ্পরিবনো হায়বদু খঙবা ঙমজখি। অদুবু ইবুংঙো মহাক শিনিংদবনা মপু মাগী মফমদা মহাকপু হিংহনবিখো হায়জবদগী মপু মানা চাংয়েং অমগা লোয়ননা থা ৪ নুপী ওন্থোক্তুনা হিংহনখি। হায়রিবা চাংয়েং অদুদি থা ৪ অদুগী মনুংদা করিগুম্বা ইবুংঙোবু নুপী অমনা থম্মোয় শেংনা নুংশি হায়রক্লবদি হায়নখিবা থা ৪ দু নত্তবা পূন্সি শাংনা হিংগনি হায়বসিনি। ইবুংঙো মহাক্কী নুপী ওইবগী পূন্সিদা ওল্লক্লবদা মহাক্কী ওইবা মীওইশিংনা শকখঙখিদ্রে। অদুবু য়ুম অদুদা লৈবা য়াননবা উপায় থিরকপদা মহাকপু পোকপা মপাবুং ঙল্লিঙৈ মতমদা অতোপ্পা নুপী অমগা লোন্না মরী লৈনরম্মী। অদুবু নুপী অদুদি লৈখিদ্রে। নুপী অদুনা থম্লম্বা নুংশিবী কৌবী ইবুংঙোগীনা মচননুপী অমা লৈ হায়বদি খঙলগা পূন্সিবগী মশক্তি কনানসু খঙদে। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা ইবুংঙো মহাক মশামক হায়রিবা নুংশিবী অদুনি হায়জিন্দুনা য়ুম অদুদা লৈখি।

মহাক্কী অশেংবা ৱারী পুম্বা চাওচাগী মফমদা লিখি। অদুবু ইবুংঙোগী ৱাফম অদু চাওচানা থাজবা ঙমখিদে। চাওচানা নুপী ওল্লবা ইবুংঙোবু নুংশিজখি। ইবুংঙো থা ৪ গী মনুংদা পাঙথোক্কদবা মথৌ লৈবনা চাওচাগী মতেং লৌদুনা নুপী ওইবী কয়াগী মফমদা ইবুংঙোবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবরা হায়না হংজখি। অদুবু ইবুংঙোবু মশক খঙবা নুপী ওইবী কয়ানদি নুংশি হায়রকপগী মহুত্তা তাথিবা ৱাহৈ কয়ানা পাউখুম পীরকখি। নোংমা মমান্নবা অমগী লুহোংবগী নুমিদাংদা চাওচা অমদি ইবুংঙো পুন্নায়ু থমিন্নখি। চাওচা ঙাওবা হেনমনখিবদগী ইবুংঙোনা য়ুম ফাওবা থিনবিখি। ইবুংঙোগী হকচাং নুপী ওইরবসু ৱাখলদি মহৌশা নুপাগী ৱাখলদা লৈবনা মহাকসু নুমিৎ অদুমদি চাওচাগী কাদা পুন্না লৈমিন্নখি। নোংঙাল্লকপদদি চেনবা হায়বদু ওইখিদুনা লুহোংনবা হায়ন-শিন্নবরোমদা লাকখি। ইবুংঙোগী অশিবা হকচাং ফংলকপা অমদি অশেংবা নুংশিবীনা মীয়াম মাঙদা থোরক্লবা মতমদা ইবুংঙো হাৎলিবসি নুংশিবী শাশিন্নরিবা ইবুংঙোবু পুলিসনা ফাখি। ইবুংঙো মশানা মশাবু ইবুংঙোনি কয়ারক হায়জখি। ইবুংঙো হাৎখিবা মীশকশিং অদু ৱায়েলশঙগী মমাঙদা পুথোকপা ঙমখি। ইবুংঙোগী হকচাং পোৎলোইখ্রবনিনা ইবুংঙোগী পূন্সি করি ওইখিবগে হায়বদুদি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাগী ৩১ দা রিলিজ তৌবা মতমদা পুন্না



য়েংমিন্নদুনা খঙমিন্নবনা হেন্না নুংঙাইরগনি হায়না খল্লি।

রাজমনি খুঞ্জাম্বগী ষ্টোরিদা ইপুনা স্ক্রিনপ্লে অমদি দিরেক্সন পীদুনা নৌনা পুথোরক্লিবা ফিল্ম অসিদা শত্তম লাংলিবশিংদি কাইকু, গোকুল, বোনি, কেবি, দিয়া, লোকেন, ইধৌ, নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, মাঙ্গোলজাও, রতন লাই, এল প্রকাস, রোজেস, এনজি টেজকুমার, গোপাল, বালা, আর্টিনা সোমা, প্রামেশ্বরী, ক্রিপালক্ষ্মি, তলু, হেমাবতি, শান্তি, মেম্মা অমদি তোম্থোইনচিংবনি। অদুগা কেমেরামেনদা এম সুরচান্দ, লিরিক্সতা খোইবী পাউনম, ম্যুজিক্তা জিতেন খাইদেম, সিঙ্গরদা আর্বিন্দ অমদি টিঙ্কু পাউনম, মেক-অপতা জ্ঞানন অমদি ইদিটিংদা হেনরি সলামনি। অমদি ফিল্ম অসিবু মপুং ফানবা হোৎনবদা অচঙবা শেল পুথোক্তুনা নৌনা প্রদ্যুসরগী শিনফমদা খোঙদারক্লিবা চহী নৌরিবা অমদি নৌরিবী বোলেক্স অমদি প্রিয়ালক্ষ্মিনি।

পনবা য়াবা অমনা "ঙসি ঐগী ইনাক্তা লাক্লিবী নংবু কনানো? তাইবংলা মংঙলানলা খঙদ্রে, ওইরিবা মতৌ অসি করিনো..." হায়না শৈহৌবা ইশৈ অসিনা উসবতা ফজরবা ইঞ্জাং মথেল অমা ওইরিবা ফিল্ম অসি চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা এসএসএস মনিফা ফিল্ম এৱার্দ ২০১৭ দা নোমিনিসেন ৬ চঙবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা বেষ্ট সিঙ্গর মেল (আর্বিন্দ), বেষ্ট এক্ত্রেষ্ট (মেরিনা) অমদি বেষ্ট পোপুলর ফিল্মসকী মনা লৌবা ঙমখিবা মণিপুর ফিল্ম অমা হায়বদু ওইরি। হায়রিবা ফিল্ম অসি ঙসিগী মীরোলনা পাম্বা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা ফিল্ম অসিনা নুংদা পীরিবা ফজরবা ৱাফমশিং অসিবুদি তুংগী চারোল সুরোল ফাওবনা লৌশিনবা য়াবা মুৎনাইদ্রবা ৱাফম অমা ওইরি।



## নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী শান্নবগী পাউ

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা আর্সনেলনা হল সিটিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা মফম কনখ্রে


*লন্দন, ফেব্রুৱারী ১১ ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ২৫ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্সনেলনা হল সিটিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ইলিংস প্রেমিয়র লীগকী ২৫ শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা আর্সনেল অমসুং হল সিটিনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী মিনিট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি।

পাঞ্জল অমত্তা লৈনরুদ্রবা মতুং টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা আর্সনেলগী মায়কৈন্দগী শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনিটতা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই এলেক্সিস সঞ্চেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা আর্সনেলনা হল সিটিবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

আর্সনেলনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা মতুং মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকখিবদা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী আর্সনেলনা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।



*আর্সনেলগী সঞ্চেজ (য়েৎ) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈন্দগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা থিবা হৌনরকখি।

অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাল্ফ অদুদা মতম কুইনা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০ শুবা মিনিটতা আর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা হল সিটিগী শান্নরোইশিংনা নিয়ম লান্না ফাওল্ট তৌরুবগীদমক আর্সনেলনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা ফংখিবা পেনাল্টি অদু আর্সনেলগী মায়কৈন্দগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এলেক্সিস সঞ্চেজনা পেনাল্টি কিক অদু কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইখিবদগী মেটচ অদু আর্সনেলনা হল সিটিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরগা লীগকী পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।

অমরোমদা ইটালিদা পাঙথোক্লিবা খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা ২৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসএসসি নাপোলিনা জেনোৱাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।

সেরি এ গী ঙসি এসএসসি নাপোলি অমসুং গেনোৱানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নখিবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনিট ৫ চঙশিল্লকপা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনিটতা পাইওর ঝৈলিস্কিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং টিম অদুমক্কী শান্নরোই ইমানুয়েল জিয়াচেরিনিনা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিদুনা মেটচ অদু এসএসসি নাপোলিনা জেনোৱাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com